# মৈ য়োনবগী শেল
## কদাইদা চৎখ্রে, থিগৎপা চুমগনি

মণিপুরনা মায়োক্নরিবা ইলেক্ট্রিসিটি মরাঙ কায়না ফংবা ঙমদবগী অৱাবা অসি নহানমখৈ, কঞ্জুমরশিংনা টেক্স চাং নাইনা থীদোক্নদবা অমসুং মৈ কোৎতুনা থানবনচিংবা দিষ্ট্রিব্যুসনগী অমাঙবা কয়া লৈবদগীনি হায়না মৈ লোয়শঙনা মরম পীদুনা লাকখিবনি। অদুবু, ঙসিদি কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (সিএজি) গী রিপোর্ট য়াওনা গভর্নমেনটকি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা ‘নহারোলগী থৌদাং’ না চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদগী জুন থা অসিফাওবগী মনুংদা ইশু মরিরক হন্না ফোঙদোকখিবা রিপোর্টশিংদা ষ্টেট অসিনা অমম্বগী ঈপাক্তা লুপ্তুনাা লৈরিবসি পৱার দিপার্টমেন্টনা মপানদা মৈ য়োহ্নোকখিবা অসিনশু অচৌবা মরম অমনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা উৎখ্রে। নোংমদা পুং অমা ফানা মৈ পীদবা নত্রগা শুকফং ফংদবা, অদুবু ইলেক্ট্রিক বীলদি পুং ২৪ পৱার সপ্লাই তৌবগুম্না কম্পাউন্দ ইন্টরেষ্ট য়াওনা শারকপদগী টেক্স থীদোক্তবা কঞ্জুমরশিংবু ফাদুনা জেলদা থম্বা অমসুং কন্নেক্সন ককথৎপনচিংবা থৌওং কয়াগী য়ুখল মরুমদা মৈ লোয়শঙনা শান্নরল্লিবা য়ুল্লোন্নবা ষ্টেটশিংদা মৈ য়োহ্নোকপগী লিলা অসি সি বি আইগুম্বা অৱাংবা থাক্কি এজেন্সি অমনা থিগৎহনবা চুমগনি। ইং ২০০5 দগী ইং ২০১১ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী ফংফম থোকপা চাকথুংদগী মৈ য়ুনিট মিল্লিয়ন ৫৮৪.৫৫৬ লোম হেন্না মপান্দা য়োহ্নোকখিবা হায়বসি চিফ ইঞ্জিনিয়রগী লেভেলদা অয়াবা পীবা ঙম্বা থবক নত্তে। শোয়দনমক, হীরম অসিদা মথক থোংবা অঙম-অথৌ কয়ামরুম চেন্নরমগনি। মশাগী শীজিন্নবা ওক্নবা ইনর্জি পুথোকপা ঙমদবা মণিপুরনা পৱার ত্রেদিংদা য়াওদবা হায়বসিদি মশানা তাবনি, অদুবু মৈ লৈবা-য়োনবগী করবারদা শরুক য়াদবা ষ্টেট অসিনা শিল্লোংদা লৈরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল লোদস দিস্পাটচ সেন্টরদা মৈ য়ুনিট অমদা শুপ্নগী লুপা ৪.৩৮ খক্তদা য়োহ্নোক্লল্লে হায়বা অসিদি য়াম্নমক মরিং-মরাংবা ৱাফম্নি। করিগুম্বা মণিপুর গভর্নমেন্টনা য়াম্না ফোংনা পৱার ত্রেদিংদা শহী তৌদুনা য়াওরম্বা তারগদি মৈ য়ুনিট অমদা লুপা ১০ দগী তাদনা য়োল্লগা ষ্টেট অসিগী রেভিন্যুদা অচৌবা শেনফম অমা কান্নহল্লমগদবনি হায়নশু সবজেক্ট এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্নরি। মরম অসিনা মৈ য়োনবগী করবার অসিদা ফৌমায় চামিন্নবা দলালিশিংগী পাক-চাউরবা অমসুং শক্তি লৈরবা মীওই খুৎপু অমা লৈরব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে।

হীরম অসিদা মৈ লোয়শঙ পায়রিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা অকনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা আইনগী এক্সন লৌখৎপা চুমগনি। ট্রান্সপরেন্সি অমসুং এক্কাউন্টেবিলিটি হায়বসি ঙসিগী ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেসন্দা য়াম্না মরুওইবা মচল অমা ওইরক্লে। পোলিটিকেল প্রেসর, সিভিল সোশাইটিগী খোঙজঙ অমসুং গ্লোবেলাইজেসনগী শাফু হায়রিবা ফেক্টরশিং অসিনা এদমিনিষ্ট্রেসনবু চুমথোক্লক্তুনা অচৌবা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক কয়াদা চেন্নবা শক্তি লৈরবা মীওই কয়া দলা-দলি খায়দনা অৱাফমদা তানরি। হীরম খুদীংমক্তা শোত্থহৌরবা মণিপুরি প্রজাশিংগী চাওখৎ-থৌরং কয়া পায়খৎনবগীদমক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপদা পৱার হায়বসি তঙায়ফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমনি। লাইবক থীবদি মণিপুর গভর্নমেন্টনা অতৈ লোয়শঙশিংগী মতৌগুম্না ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অসিবুশু কুপ্না য়েংশিন্দবদগী অশুক মরুওইখ্রবা পৱার অসিবু মীওই খুজোক খরনা শেন্দান-লম্বী ওইনা শীজিন্নরি। থৌওং অসি অথুবা মতমদা থিংহৌদ্রবদি সেন্টরনা লুপা ক্রোড় মিল্লিয়ন কয়া চঙনা মৈ পুথোক্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লবসু ষ্টেট অসিনা মৈগী অৱাবা কোকপা ঙল্লোই। পুন্নমক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ঙক্নীংঙাই ওইরিবদি মণিপুরগী পৱার দিপার্টমেন্টনা নারোন্দা মৈ য়োহ্নোকপগী মতাং অসিদা জোইন্ট ইলেক্ট্রিসিটি রেগুলেটরি কম্মিসন (জেইআরসি) ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম হায়রিবা, সেন্টরনা ষ্টেটশিংগী পৱার অচুম্বা মওংদা শীজিন্নহন্নবা শেম্বা এজেন্সি অসিনশু তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লম্বা অসিনি। সেন্ট্রেল জেনরেটিং ষ্টেসনশিং অমসুং ত্রিপুরাদগী ষ্টেট অসিগী চাকথুং ওইনা লৈশিনবা মৈ য়ুনিট মিল্লিয়ন ২৫৬.৮৩ ইং ২০০৮ দগী ইং ২০১১ ফাওবগী মনুংদা য়োহ্নোকখ্রে হায়বসি চিফ ইঞ্জিনিয়রনা শহী তৌরগা থাগৎখিবা তারিফ ওর্দর অমগী মতুংইন্না কম্মিসন অসিনা খঙলবনি। অদুবু, ঙসি ফাওবদা ইশু অসি রিজনেল কম্মিসন অসিনা সেন্ট্রেল কম্মিসন্দা পুখৎতুনা খঙহনবা তৌদনা লৈরি। ৱাফম অসি জে ই আর সি না মীয়ামগী মফমদা ময়েক শেংনা অচুম-অরান শেংদোকপগী তঙায়ফদবা লৈ। নত্রবদি মণিপুর গভর্নমেন্ট অমসুং কম্মিসন অনিমক্না লৌতুনদুনা কঞ্জ্যুমরশিংগী হক মৎলে হায়না লৌদনীংঙাই মরম লৈতে।